# মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগান অমদি হায়দরবাদ এফ সী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা পোইন্ট য়েন্নখ্রে

**12 Dec, Saturday (24th Match)**
**Odisha FC vs FC Goa**
**Time : 7:30 PM**



হায়দরবাদকী শান্নরোয় (ময়াই) অমনা এটিকে মোহন বগান মায়কৈদা বোল কাওশিনবা

ফটোর্দা, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাংগী চেম্পিয়ন ওইখিবা অদুগা হন্দক্না অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব অমগা পূনশিন্দুনা অনৌবা টিম অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবা এ টি কে মোহন বগান অমদি হায়দরবাদ এফ সীনা ঙসি শান্নখিবা ২৩শুবা মেটচতা টিম অনীমকপাঞ্জল ১-১ চন্নরগা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে।

ফটোর্দা সিটিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। এ টি কে মোহন বগান মমাংগী মেটচ ৪ শান্নবদা অহুম মায় পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা হায়দরবাদ এফ সী মেটচ ৩ শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা তরেৎশুবা পোজিসনদা লৈখি।

এ টি কে মোহন বগাননা ঙসিগী মেটচ অদুদা মায় পাক্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা পামখি। অমরোমদা, হায়দরবাদ এফ সীসু মখোয়না ফংলিবা পোইন্ট ৫ অদুদা অহুম হাপচিন্দুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক্তা লৈনবা হোৎনরকখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী মনভির সিংহনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা হায়দরবাদ এফ সীবু মখোয়না মাঙজিল থাখি। হোৎনবা কনবা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী ৬৪শুবা মিনটতা চথরকপা এটেক অমা এ টি কে মোহন বগানগী মনভিরনা পেনাল্টি এরিয়াদা ফাউল তৌরুবদগী হায়দরবাদকী শান্নরোয় জোৱা ভিক্টরনা রেফরিনা পীখিবা পেনাল্টি অদু পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 5 | 4 | 0 | 1 | 8 | 2 | 6 | 12 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 5 | 3 | 1 | 1 | 6 | 3 | 3 | 10 |
| 3 | Northeast United FC | 5 | 2 | 3 | 0 | 8 | 5 | 3 | 9 |
| 4 | Bengaluru FC | 4 | 1 | 3 | 0 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 5 | Hyderabad FC | 4 | 1 | 3 | 0 | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 6 | Jamshedpur | 5 | 1 | 3 | 1 | 6 | 6 | 0 | 6 |
| 7 | FC Goa | 4 | 1 | 2 | 1 | 6 | 5 | 1 | 5 |
| 8 | Chennaiyin FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 4 | -1 | 4 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 4 | 0 | 2 | 2 | 3 | 6 | -3 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 4 | 0 | 1 | 3 | 2 | 6 | -4 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 4 | 0 | 1 | 3 | 0 | 7 | -7 | 1 |

# হৌখিবা থা ৪দা পাঙথোকপা নেসনল কেম্পতা হান্না ফংলমদবা কান্নবা কয়া অমা ফংবা ঙম্লে : লালরেমসিয়ামি

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):
কর্নাটাকাগী সিটি বেঙ্গলুরুদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদগী চথরকপা নেসনল ট্রেনিং কেম্প অসিনা হান্না ফংলমদবা কান্নবা কয়া অমা ফংবা ঙম্লে হায়না ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকিগী টিমদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা ষ্ট্রাইকর লালরেমসিয়ামিনা ফোঙদোকখ্রে।

হয়েং লোইশিল্লগদবা নেসনল হোকি কেম্প অসিদা শরুক য়াখিবী মিজোরাম মচা লালরেমসিয়ামিনা ফোঙদোকখিবদা, থা ৪ চুপ্পা পাঙথোরকপা কেম্প অসিদা শান্নরোয়শিংনা পামখিবা অমদি হান্না ফংলমদবা কান্নবা কয়া অমা ফংলি হায়না লালরেমসিয়ামিনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

চহী অসিগী মার্চ থাদগী লৈবাক শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা থমখিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা থা ৫ চুপ্পা শান্নবগী হীরম খূদিংমক লৈবাক অসিদা অথিংবা লৈরকপদুনা শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা অপনবা অমদি নুংনাংবা কয়া অমা পীদুনা লাকখিবনি। অদুবু য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমদি হোকি ইন্দিয়া অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা খূৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী কাঙলোনশিং অদু ঙাকপগা লোয়ননা ট্রেনিং চথরকপা অসিদা শান্নরোয় কয়াগী ৱাখল অমসুং থৌনা হাপকৎখিবনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী-দমক ক্বালিফাই ওইরবা নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিমনা বেঙ্গলুরুদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদগী পাঙথোরক্লিবা নেসনল কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি। ট্রেনিং অসিগী লোইশিল্লকপা চয়োল তরুক অসিদা য়াম্না মরিক চুম্বা মশান্না অসিগী ওইবা কাঙলোন কয়া অমা খঙলবসু অনৌবা খোঙথাং কয়া অমা ফংবা ঙমখি হায়রি।

কোচিং কেম্প অসিনা পীরিবা কান্নবা অসিদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক শেম শাবদা লাক্কদৌরিবা চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয়শিংনা নীংথিনা শান্নবা ঙম্লগনি হায়না ষ্ট্রাইকর লালরেমসিয়ামিনা মখা তাখি।



ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমগী ষ্ট্রাইকর ওইরিবী লালরেমসিয়ামি

নীংশিংবা য়াই, জুনিয়র শান্নরোয় অমা ওইনা লালরেমসিয়ামিনা লৈরম্বদগী সিনিয়রগী থাক্তা শরুক য়ারক্তুনা কুমজা ২০১৮গী এসিয়ন গেমস অমদি কুমজা ২০১৯গী ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা লালরেমসিয়ামিসু য়াওখি।

নহা ওইরিবী শান্নরোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, লোকদাউন মনুংদা পাঙথোকখিবা ওনলাইন চেলেঞ্জদা লুপা লাখ ২০ খোমজিনবা ঙমদুনা ইমুং ১,০০০ হেন্না মতেং পাংবা ঙমখিবা অদু মহাক্কী ওইনদি চহী অসিগী মনুংদা পাঙথোকখিবা থবকশিংগী মনুংদা তুং কোয়না নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা থবক অমা ওইখি হায়রি।

# নেপালনা লৈবাক অদুগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা নুপাগা মান্ননা তোলোপ পীদুনা ৬শুবা লৈবাক ওইখ্রে

কাথমান্দু, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):
নেপাল ফুটবোল এসোসিএসনননা লৈবাক অদুগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা নুপাগী টিমগা মান্ননা তোলোপ পীদুনা মালেমগী ওইনা খোঙথাং অসি পায়খৎপা তরুকশুবা লৈবাক ওইখ্রে।

নেপাল লৈবাক্কী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লূপ অদুনা লৈবাক অদুগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা মখোয়না হান্না ফংলম্বা তোলোপ্তগী চাদা ১৫০ হেনগৎতুনা মখোয়গী তোলোপ অসি নুপা শান্নরোয়শিংগা মান্নগদৌরিবনি।

মালেমগী ওইনা হৌজিক ইংলেন্দ, ব্রাজিল, ওষ্ট্রেলিয়া, নোরৱে অমসুং ন্যু জিলেন্দদা নুপা ফুটবোল শান্নরোয়শিংগা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগা চপ মান্নবা তোলোপ পীদুনা লাকখিবনি। নেপালনা ৬শুবা লৈবাক ওইনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

নীংশিংবা য়াই, নেপালগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমস অমসুং সাউথ এসিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা রন্নর্স অপ তাদুনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্লি। হৌজিক-হৌজিক টিম অসি মালেমগী ওইনা ৯৯শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

অমরোমদা, নেপালগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা চহী ১ হেন্না ইন্টরনেসনল মেটচ শান্নবদা মেটচ অমত্তা মায় পাক্তনা লাক্লি। টিম অসি হৌজিক-হৌজিক ফিফাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ১৭১শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ওল নেপাল ফুটবোল এসোসিএসনগী ৱাঙাংলোয় কিরন রাইনা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী থাদগী হৌরগা লৈবাক অদুগী নেসনল ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় ২০গী তোলোপ অদু হান্না থা অমদা য়ু এস দোল্লর ৬০ ফংলম্বা অদু য়ু এস দোল্লর ১৫৩দা হেনগৎকদৌরিবনি। নুপাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংসু হান্না য়ু এস দোল্লর ১২৮ ফংলম্বদগী ১৫৩ ওইরগনি।

# ২১শুবা জৌগল মোমোরিএল সিল্ড টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

লমকা, দিসেম্বর ১১(ঐচএনএস):
চুড়াচান্দপুরদা নৌনা শাখিবা জৌগল সেন্টিনরি গ্রাউন্দদা ঙসি ২১শুবা জৌগল মেমোরিএল সিল্ড ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১ য়ু জেদ ও জি ঐচ ক্যুগী প্রসিদেন্ট চিনলুনথাংনা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি পূন্না টিম ২৮না শরুক য়াদুনা লুপা ৭০,০০০গী চেম্পিয়ন ওইবগী শেলগী মনা অদু ফংনবা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি। হৌদোকপগী থৌরম অদু কুমজা ১৯১৭দগীনা ১৯১৯গী মনুংদা জৌগলগী লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগী ওইনা মিনট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈবনা ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা য়ু জেদ ওগী প্রসিদেন্ট চিনলুনথাংনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অথিংবা কয়া অমা লৈরুরবা মতুং তোঙান-তোঙানবা য়ু জেদ ও য়ুনিট অমদি ব্লোকশিংদগী লাকপা টিম ২৮না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা জৌগল সিল্ড কম্মিটিনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লনবা হোৎনরকপদা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ু জেদ ও তুইনিংনা য়ু জেদ ও ইম্ফাল ব্লোকপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লনি।

# রোহিট শর্ম্ম ফিটনেস টেষ্টতা মায় পাক্লে, ওষ্ট্রেলিয়াদা মখা তাবা ইন্দিয়াগী টুর য়াওরগনি

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় রোহিট শর্ম্ম ঙসি বেঙ্গলুরুদা লৈবা নেসনল ক্রিকেট একাদেমিদা পাঙথোকখিবা ফিটনেস টেষ্ট মায় পাক্তুনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টুরদা লৈরিবা অদু য়াওননবা মথংগী চয়োলদা ইন্দিয়া থাদোক্লগনি হায়রি।



থা অসিগী ১৭তা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি এদলেদতা বোর্দর-গভাস্কর ট্রোফি হায়না খঙনরিবা টেষ্ট মেটচ মরিগী সেরিজ অদু য়াওননবা রোহিট শর্ম্ম ইন্দিয়া থাদোক্কদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক্তা য়ু এ ঈদা লোইশিনখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট শান্নরিঙৈদা রোহিট শর্ম্ম শোকপদগী ইন্দিয়াগী ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী ৱান দে ইন্টরনেসনল সেরিজ অমসুং টি-২০ সেরিজ য়াওবা ঙমখিদবনি।

পনবা য়াই, রোহিট শর্ম্মনা ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অনী অদুদি লৈবাক অদুগী ওইবা নুমীৎ ১৪নিগী ক্বারন্টিনগী কাঙলোন অদুনা মরম ওইরগা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি।

নেসনল ক্রিকেট একাদেমিগী দিরেক্টর ওইরিবা মমাংদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন অমদি কেপ্টেনসু ওইরম্লবা রাহুল দ্রাভিদনা রোহিট শর্ম্মগী ফিটনেসকী চাংয়েং অদু য়েংশিনখি। রোহিট শর্ম্মগা লোয়ননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রিদিমান শাহসু বেঙ্গলুরুগী নেসনল ক্রিকেট একাদেমিদা রিহেবিলিটেসন চথদুনা অশোকপশিং অদু ফননবা হোৎনদুনা লাকখি। রোহিট শর্ম্ম ফিটনেস টেষ্টতা মায় পাক্লবা মরম্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা মহাক য়াওরকপনা অচৌবা পাঙ্গল ওইগদৌরি।

# ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম, অর্সনেল, লেষ্টর লোয়ননা ইটালিগী ক্লব রোমা, নাপোলি, এ সী মিলান নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):
ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর, অর্সনেল অমসুং লেষ্টর সিটি লোয়ননা ইটালিগী ক্লব এ এস রোমা, নাপোলি অমদি এ সী মিলান মখোয়-মখোয়গী গ্রুপশিংদগী য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ জে

লন্দনগী টোটেনহাম হোটস্পর ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু ওইদুনা ক্লব অদুনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা রাউন্দগী মেটচতা বেলজিয়মগী ক্লব এন্টরপপু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী মকোক্তা লৈখিবগা লোয়ননা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। মেটচ অদুদা মায়থীবা নংখিবা এন্টরপ গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিদুনা মখোয়সু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। টোটেনহামগী মায়কৈদগী কার্লোস ভিনিসিয়স অমসুং লো চেলসোনা পাঞ্জলশিং অদু চনখি।

গ্রুপ বি

ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব অর্সনেলনা ঙরাং শান্নখিবা য়ুরোপা লীগকী গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা আইরলেন্দগী ফুটবোল ক্লব দুনদাল্কপু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা গ্রুপ অদুদা মেটচ ৬ শান্নবদা তরুকমক মায় পাক্লগা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। গ্রুপ অসিদগী নোরৱেগী মোলদে ফুটবোল ক্লবনা অনীশুবা পোজিসনদা তাদুনা মখোয়সু ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ জি

ইংলেন্দগী লেষ্টর সিটিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ুরোপা লীগকী তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচতা গ্রিসকী ক্লব এ ঈ কে এথেন্সপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুক্রেনগী জোরা লুহান্সকপু ২-০দা থোইবা ঙমখিবা ব্রাগাগা লোয়ননা গ্রুপ অসিদগী নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। লেষ্টর সিটি অমসুং ব্রাগা পোইন্ট ১৩/১৩ ফংমিন্নরবা মতুং গোল দিফরেন্সতা লেষ্টর সিটিনা হেনবদগী মকোক থংখিবনি।

গ্রুপ এ

ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এ এস রোমা চথরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ এগী তরুকশুবা মেটচতা বলগেরিয়াগী ক্লব সী এস কে এ সোফিয়াগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীবা নংলবসু টিম অদুনা মমাংগী মেটচ ৫দা মরি মায় পাকপা ঙমখিবা অমদি অমা দ্রো চৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা মাংজৌননা নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। মায় পাকখিবা সী এস কে এ পোইন্ট ৫ ফংলগা লৈহৌখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দগী য়ং বোইজ ফুটবোল ক্লবনা রোমানিয়াগী সী এফ আর ক্লুজবু পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা মেটচ ৬তা পোইন্ট ১০ ফংলগা রোমাগা লোয়ননা মখোয়সু নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।



ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোয় (অঙৌবা মচু)না বেলজিয়মগী ক্লব এন্টরপকী মায়কৈদা বোল পুশিনখিবা

গ্রুপ এফ

ইটালিগী ফুটবোল ক্লব নাপোলি অমদি স্পেনগী ক্লব রিয়াল সোসাইদেদ য়ুরোপা লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ এফকী তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচতা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎতুনা ক্লব অনীমক নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। নাপোলি মমাংগী মেটচ মঙা শান্নবদা অহুম মায় পাক্লগা মেটচ অমমম্ মায়থীবা নংবা অমদি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১০ ফংখিবনি। অমরোমদা, রিয়াল সোসাইদেদ মেটচ ৫দা অনী মায় পাকখিবা অমদি মেটচ ২ দ্রো চৎলবা মতুং মেটচ অমা মায়থীখিবনা পোইন্ট ৮দা লৈরম্বনি। অদুবু ঙরাং টিম অনীমক পোইন্ট অমমম্ হাপচিন্নরগা মখা তাবা ক্লবশিংদগী পোইন্ট হেন্দুনা অহানবা অমদি অনীশুবা থাক্তা লৈখিবদগী নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ ঐচ

ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এ সী মিলানননা য়ুরোপা চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী গ্রুপ ঐচকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম অদুনা চেক রিপব্লিককী ক্লব স্পার্টা প্রাগপু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইরগা নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিবনি। গ্রুপ অদুগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা স্কোটলেন্দগী সেল্টিক ফুটবোল ক্লবনা পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখিবা ফ্রান্সকী ক্লব লিল্ পোইন্ট ১১ ফংদুনা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবা মরম্না মায়থীরবসু নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখি।

গ্রুপ সী

জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বেয়র লেবরকুসেননা ঙরাং অথেংবদা টিম অদুনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা বে এরেনাদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী তরুকশুবা মেটচ অদুদা চেক রিপব্লিককী স্লাভিয়া প্রাগপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা পোইন্ট ১৫ ফংবগা লোয়ননা মকোক ওইরগা নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। টিম অদুগী মখূৎতা মায়থীখিবা স্লাভিয়া প্রাগনা মেটচ ৬তা পোইন্ট ১২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরবসু মখোয়সু য়ুরোপাগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

গ্রুপ দি

স্কোটলেন্দগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জর্স এফ সীনা পোলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লেগ পোজনান্বু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপ অদুগী ওইনা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা পোর্টুগলগী বেনফিকাগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপদগী পোইন্ট ১৪ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিদ্রবা পোলেন্দগী লেক পোজনান্বু স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্সনা ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট ১৪ ফংখি। অদুগা মখোয়গা লোয়ননা গ্রুপ অসিদগী ক্বালিফাই ওইখিবা অতোপ্পা টিম অদুদি পোর্টুগলগী বেনফিকানি। মখোয়না ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ফ্রান্সকী ষ্টেন্দর্দ লীগকা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি।

গ্রুপ ঈ

নেদরলেন্দসকী ফুটবোল ক্লব পি এস ভিগী মায়কৈদগী সাইপ্রসকী ক্লব ওমানিয়াবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইরগা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা গ্রিসকী পি এ ও কে ফুটবোল ক্লব অমদি স্পেনগী গ্রানাদাগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু মমাংদা গ্রানাদা ফুটবোল ক্লবনা মেটচ অহুম মায় পাকখিবা অদুগী কান্নবা ফংলগা পি এস ভি এন্দ হোভেনগী মথংদা পোইন্ট অমা হন্থরগা ১১ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈদুনা গ্রুপ অসিদগী নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

গ্রুপ আই

ইজরেলগী ক্লব মকাবি টেল অবিৱ্না টর্কিগী ফুটবোল ক্লব সিবাস্পোরবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবগা লোয়ননা নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। গ্রুপ অসিগী মমাংদা মাংজৌননা মেটচ মঙা শান্নবদা মরি মায় পাক্লগা মেটচ অমা দ্রো চৎখিবা স্পেনগী ভিলারিয়াল ফুটবোল ক্লব পোইন্ট ১৩ ফংদুনা মকোক্তা লৈখিবগা লোয়ননা মাঙজিল থাদুনা ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ কে

বেলারসকী ফুটবোল ক্লব দাইনামো জাগ্রেভনা রসিয়াগী ক্লব সী এস কে মোস্কোবু অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল ২না মপূং ওইরগা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় কাষ্ট্রাহিগী পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা সী এস কে এ মোস্কোবু ৩-১দা থোইদুনা গ্রুপকী লুচিংবা ওইদুনা নোকআউটকী ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব ৱোল্ফসবর্জর এ সীনা নেদরলেন্দসকী ক্লব ফেয়েননুর্দপু পাঞ্জল ১-০দা থোইরগা পোইন্ট ১০ ফংবগা লোয়ননা মখোয়সু দাইনামোগা লোয়ননা ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ এল

জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব ১৮৯৯ হোফেনহেমনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ অসিগী ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেলজিয়মগী ফুটবোল ক্লব গেন্টপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিদা মেটচ ৫ মায় পাক্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পূন্না পোইন্ট ১৬ ফংবগা লোয়ননা মকোক ওইদুনা গ্রুপ অসিগী মায়কৈদগী নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা সর্ভিয়াগী রেদ ষ্টার বেলগ্রেদ অমসুং চেক রিপব্লিককী স্লোভান লিবরেক ফুটবোল ক্লবকা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু মমাংদা রেদ ষ্টার বেলগ্রেদনা মেটচ অহুম মায় পাকপা ঙমখিবা অমদি মেটচ অমখক মায়থীবা নংখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ১০ ফংখিবা অদুনা হোফেনহেমগা লোয়ননা য়ুরোপা লীগকী নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী অনকিটা রাইনা আই টি এফ দবল্সকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ)গী সিটি দুবাইদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ১০০,০০০গী অপূনবা শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ (ইন্টরনেসনল টেন্নিস ফেদরেসন)গী নুপীগী টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান টেন্নিস শান্নরোয় ওইরিবী অনকিটা রাইনানা দবল্সকী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারকপদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

অনকিটা রাইনানা জিওর্জিয়াগী একাটেরিন গোরগোদজেগা প্যের ওইদুনা শরুক য়ারকপদা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা রসিয়া অমসুং বৃটেনগী প্যের অনা ব্লিনকোভা অমদি হেদর ৱেটসনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৬-৭ (১-৭), ৬-৩, ১০-২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, অনকিটা অমদি মহাক্কী প্যের একা টেরিননা মমাংগী রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ প্যেরবুসু মায়থীবা পীখিবনি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ প্যের বেলজিয়মগী কর্ষ্টেন ফ্লিপকেন্স অমদি স্লোভাকিয়াগী এন্দ্রিয়া ক্লেপাকপু ৭-৬(৭-৩), ৬-১দা থোইরম্বনি।

# নেসনল শুটিং ট্রায়ল্স কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারীদা পাঙথোক্লগনি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):
নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)না ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মথং চহীগী জন্যুৱারী ৬তগী ১৮ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী তুলক্কবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা রাইফল অমসুং পিষ্টল শুটরশিংগী ওইবা সেলেক্সন ট্রায়ল অনী পাঙথোক্লগনি হায়খ্রে।

হায়রিবা সেলেক্সন ট্রায়ল অনী অসিগী মতুংদা মখা চথরকপা ওইনা ফেব্রুৱারী থাদা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড শুটিং ক্লব অমদি সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড শুটিং কপ অনীগী সেলেক্সন ট্রায়ল অনী অমগসু পাঙথোক্কনি হায়রি। ট্রায়ল সেলেক্সন মরি অদুদগী চাংচৎতা ফংলকপা স্কোরশিং অদুনা মার্চ থাদা দেল্লি অমসুং কোরিয়াগী ৱর্ল্ড কপশিং অদুদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শুটরশিং মশক খঙদোকপা ঙম্লগনি।

নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা শরুক য়াগদবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ক্বালিফাই ওইরবা শুটর ২০০গী লিষ্ট অমা এসোসিএসন অসিগী ৱেবসাইটতা থাগৎতুনা থন্লে হায়রি।




HL-B/6497/3/11-31/12


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com